# ২০২৩গী মার্চ ১২দা পাঙথোক্কদৌরিবা ওস্কার এৱার্দ য়েন্থোকপদা বেষ্ট এক্টরগী নোমিনেসন চঙলবা মুম্মি ফিল্মগী Brendan Fraser

- নানি

দ মুম্মি ফিল্মগী ত্রিলোজি (১৯৯৯-২০০৮)দা মরুওইবা রোল লৌবদা থোইদোক্লা মীয়াম্না Rick O'Connell হায়নসু খঙনরবা অমেরিকান-কনাদিয়ন এক্টর Brendan James Fraser লাক্কদৌরিবা, ৯৫রকশুবা একাদেমী এৱার্দ, মার্চ ১২, ২০২৩দা Dolby Theatre Hollywood, Los Angeles, California, U.S. দা পাঙথোক্কদৌরিবা অসিদা অহানবা রাউন্দগী ওইনা সেরিএল নম্বর ৱানদা নোমিনী ওইনা খনখ্রে। মমাঙদা বেষ্ট এক্টর কেটগোরিগীদমক তোঙান তোঙানবা ওর্গনাইজেসনশিংনা পীগদবা এৱার্দকীদমক নোমিনেসন ১৮ চঙবগী মনুংদা ৮লক এৱার্দ ওইনা ওন্থোকপা ঙমখ্রবনি। হন্দক একাদেমী এৱার্দ ২০২৩গী নোমিনী ওইনা মহাক্কী ফিল্ম The Whale হায়বা অসিদা চঙলিবা অসিনা মহাক্কী পুন্সিদা একাদেমী এৱার্দকী লমজেলদা য়াওবা অহানবনি। অদুবু এৱার্দ ওন্থোকপা ঙমগদরা ঙম্লোইদরা হায়বদুমদি নুমীৎ খরনিদি ঙাইখিবা তারি।

এক্টর, প্রদ্যুসর অমদি ফোটোগ্রাফর অমা ওইরিবা, মশাগী চহী শুপ্তগী ৫৩ দমক শুরিবা ফিট ৬কা ইঞ্চি ৩ ৱাংবা, জেমস হায়রগসু খঙনবা Brendan James Fraser ১৯৬৮গী দিদসেম্বর ৩দা য়ুনাইটেদ ষ্টেটকী Indianapolis হায়বা মফম অদুদা পোকখি। অপোকপা মপা জর্নেলিষ্ট অমা ওইনা হৌরক্লগা, গভর্ণমেন্টকী টুরিজম দিপার্টমেন্ট কনাদিয়ন ফোরেন সর্ভিসকী ওফিসর অমনি। মমাদি ইচম চম্বা সেলস কাউন্সেলর অমনি, মচিন-মনাও মরিগী মনুংদা ইতোন তোনবা ওইনা মমা-মপানা Fraser বু ফংজবনি। মহাক্কী মখুরা George Genereux, 1952 দা পাঙথোকখিবা সম্মর ওলিম্পিক্সতা গোল্ড মেদল ফংখিবা মীশকনি। মখোয়গী ইমুং অসি মীয়াম্না অদুম থাক অমদা খন্নবা অমা ওইনা লৌরকখি। মহাক্কী ময়াম্বা অহুম- Kevin, Regan অমদি Sean মতিক চাবা মীশক অমমম ওইরি। মখোয় লোয়নমক অমেরিকান অমদি কনাদিয়নগী দুয়েল সিটিজন্সিপ ওইরি। Games Fraser মমিং লৈরবা ফিল্ম কয়াদা মরুওইবা রোল লৌদুনা মীয়ামদা মশক হন্না হন্না তাকখ্রবা মীশক অমনি। মহাক্কী ফিল্মশিং য়াম্না পাম্নখি। হৌজিকসু ১৯৯২দগী হৌনা মমিং ৱৈলরবা ফিল্ম কয়াদা কুম্লক্লিবা মহাক্কী ফিল্মশিং অনৌবা থোরকপদা কনানসু থাদোক্লদনা য়েনরি। মহাক্লা কুমখিবপা কোমেদি ফিল্ম খরগী মমিং পল্লমদা- Encino Man (1992), Airheads (1994), George of the Jungle (1997), Dudley Do-Right (1999), Blast from the Past (1999), Bedazzled (2000), Mankeybone (2001), Looney Tunes: Back in Action (2003) অমদি Furry Vengeance (2010) নি। মসিগা লোয়ননা লিদিং রোল লৌদুনা কুমখিবা ফেন্টাসি ফিল্মশিংদি- Journey to the Centre of the Earth (2008), Ink heart (2008). হায়রিবশিং অসিগী মনুংদা দ্রামাটিক ফিল্ম খরদসু লিদিং রোল লৌদুনা কুম্লকখি। মদুদি- School Ties (1992), With Honors (1994), The Passion of Darkly Noon (1995), Gods Monsters (1998), The Quiet American (2002), Crash (2004), Journey to the End of the Night (2006), Extraordinary Measures (2010), No Sudden Move (2021), লোয়ননা হন্দক ওস্কারগী বেষ্ট এক্টর এৱার্দকী নোমিনেসন চঙলিবা ফিল্ম The Whale (2022) হায়রিবশিং অসিনি। মসিদা নত্তনা Fraser James না টেলিভিজন দ্রামা কয়াদসু মায় পাক্লা কুমখি মমিং খরদং নীংশিংবা য়াবদা- Texas Rising (2015), The Affairs (2016), Trust (2018), Condor (2018) অমদি Doom Patron হায়রিবশিং অসি পনবা য়াই।

ফিল্মগী লাইনদা ওস্কার এৱার্দ হায়বা খ্বাইদগী লেমজনিংঙাই ওইবা অমদি চাউরবা এৱার্দ অসি ১০২৯ দগী হৌনা লাউথোকপা হৌখ্রবনি। অদুবু ইন্দিয়ানা এৱার্দ অসিগীদমক ইন্দিয়াগী ওইনা নোমিনেসন ফংখিবদি ১৯৫৭দা Mother Inida অসিনা অহানবা ওইখিবনি। ইন্দিয়াগী ওইনদি হৌজিক ফাওবদা ওস্কার এৱার্দকীদমক ফিল্ম মরি চঙবা ঙমখ্রে অদুবু এৱার্দ ওইনা ওন্থোক্তুনা এৱার্দ লৌবদি অমত্তা য়াওখিদ্রি। মমাঙদা চঙখিবা ফিল্মশিং অদুদি- Mother India, Salaam Bombay, Shwass (Marathi) অমদি Lagaan হায়বা অমির খানগী ফিল্ম অদুনি। হন্দক চহী অসিদা ফিল্ম অনী ওফিসল নোমিনেসন থানবগীদমক রেকম্মেন্দ তৌনবা খন্নবা হৌখি। ব্লোকব্লষ্টর ওইখিবা ফিল্ম এস এস রাজামৌলিগী ফিল্ম RRR হায়বা অদুগা গুজরাতি ফিল্ম Chhelo Show হায়বা অনী অসিনি। অদুবু ওস্কার এৱার্দকীদমক ইন্দিয়াগী ওইনা Chhello Show হায়বা অসি ওফিসল নোমিনেসন ওইনা রেকম্মেন্দ তৌখিবনি।



Fraser গী ফেমিলিসি পেরেন্টশিংগী সর্ভিস মতুংইন্না ঙাইহাক লৈতনা মফম হোংদোক হোংজিন তৌই। য়ুরেকা, কালিফোর্নিয়া; Seattle, Washington; Ottawa, Ontario; Netherland অমদি Switzerland দা হোং হোংদুনা লৈরকখি। Fraser সু ফেমিলি হোংবগী মতুংইন্না য়ুমহোং তোইরকখি। মহাক কনাদাগী অপ্পর কোলেজদা মহৈ-মশিন তম্লকখি। লন্দনদা লৈরিঙৈদা মমিং লৈরবা প্রোফেসনল ঠিএটর সো উৎফম ওইনা মমিং চৎলিবা ৱেষ্ট ইন্দ হায়রিবা অসিদা মহাক ঠিএটর অদুদা ঠিএটর সো কয়া য়েংলকপদগী এক্টিংদা থৱায় য়াওবা হৌরকখি। ১৯৯০দা কোর্নিশ কোলেজ ওফ দ আর্টস হায়বা অসিদগী গ্রেজ্যুএসন লোইখি। অদুগা ন্যু য়োর্ক সিটিদা লৈবা এক্টিং কোলেজ অমদগী মহাক এক্টিং তম্বা হৌরকখি। মতুংদা মহাক মাষ্টর ওফ ফাইন আর্টস হায়বা অসি সাউথর্ন মেথোদিষ্ট য়ুনিভর্সিটিদগী ফংলকখি। মমৈথংদা মহাক হোল্লিৱুদ ফিল্মদা খোঙ থাংজিনবা হৌরকখি। লোয়ননা ফিল্মদা ওইনা অকনবা মীৎয়েং থমদুনা হৌজক ফাওবদা লেপ্পা লৈতনা চঙশিল্লক্লি। মহাক্কী ইহান হানবা ফিল্মদি ১৯৯১দা পুথোকখিবা দোগ ফাইট হায়বা অদুনি। অদুবু মদুনা মহাক্কী মশক তাকপদি ঙমখিদে। ইহান হানবা ওইনা লিদিং রোল লৌদুনা কুম্লকখিবা ১৯৯২দা রিলিজ তৌরখিবা কোমেদি ফিল্ম Encino Man হায়বা অসিদনি। Encino Man হায়বা অসিদি ঐখোয়গী স্বাইদসু ময়াম য়েংনবা ফনা য়াম্না য়াওনরম্লগনি থাজে। য়াম্না ফজবা ফিল্ম অমনি। ফিল্ম অদুদা মহাক্লা প্রি হিষ্টোরিক ফ্রোজন কেভমেন অমগী রোল লৌখিবনি। মশক মতৌ অমদি মহাক্কী ইনৌ নৌবা এক্টিংগী রেঞ্জ অমা মীয়াম্না উবা ফংনখিবনি। ফিল্ম অদুমক বোক্স ওফিসকী হিট চৎখি। Chris O'Donnell গা লোয়ননা School Ties হায়বা অদুদা কুম্লকখি। মহাক্কী খ্বাইদগী কম্মর্সিএল অমা ওইনসু মায় পাকখিবা অদুগা মীপুম তিংনা খঙনখিবা ফিল্মদি এদভেঞ্চর ফেন্টাসি ফিল্ম অমা ওইরিবা "The Mummy (1999), The Mummy Returns (2001) হায়রিবা অসিদনি।

Fraser গী নুংঙাইরবা য়ুম্বাল পুন্সিগী ৱারী অমা হায়বা তারবদি মহাক ১৯৯৩দা অচৌবা ফঙ্কসন অমদা এক্ট্রেস Afton Smith কা থেংনখি। মদুদগী মখোয় অনী মরী লৈনরক্তুনা ১৯৯৮গী সেপ্টেম্বর ২৭তা লুহোংখি। মখোয় অনীগী মচা নুপা অহুম- Griffin Arthur Fraser (২০০২দা পোকপা), Holden Fletcher Fraser (২০০৪ দা পোকপা) অদুগা Leland Francis Fraser (২০০৬তা পোকপা) অহুম লৈরে। অদুবু করিগুম্বা য়ানদবা খরদগী মখোয় অনীনা লৈরম্বা কালিফোর্নিয়াগী Beverly Hills তা লৈবা য়ুমদু য়োম্থোক্লবা মতুংদা ২০০৭তা খায়নরে হায়না Fraser না লাউথোকখি। মদুদা মখা তানা মহাক্লা লাউথোকখিবদা, Afton না অতোপ্পা নুপা অমদা ময়ুম পান্দুনা লুহোংদ্রিবা ফাওবদি থা খূদিংগী দোল্লর ৫০,০০০/- চহী তরাগী ওইনা পীগনি হায়না পনখি মরমদি মদুনা মহাক্কী অঙাংশিং অদুগী য়োক থাকপগী চাদিং তৌনবনি হায়না মখা তাখি।

Fraser এক্টিংগী লমদগী খরা অমুক হায়দোক্লগা মহাক অসি Archer অমনি। Amateur Archer অমা ওইনা মহাক নীংথিনা শান্নবা মীশক অমসু ওইরকই। অমরোমদা মহাক্কী ফিল্ম অয়াম্বদা Stunt শীজিন্নদে, মহাক মশানা পর্ফোর্মেন্স নীংথিনা পীদুনা লাকই। খুদোংথিবা অমা তাদুনা মহাক অচৌবা মেজর সর্জরি অহুম্লক চহী তরেৎকী মনুংদা তৌখি। মদুদি- Knee replacement, leminactomy surgery অমদি Vocal chord surgery নি। Brendan Fraser এক্টর অমা ওইবতা নত্তনা মহাক মশানা ফিল্ম প্রদ্যুসর ওইদুনা ফিল্ম কয়া অমসু পুথোকখ্রে। লোয়ননা মহাক অসি মশক নাইবা ফোটোগ্রাফর অমসু ওইখি। মহাক্কী ওস্কার নোমিনেসন ফংলিবা অসি এৱার্দ ওন্থোকপা ঙমগদরা ঙম্লোইদরা হায়বদু য়াম্না অথুবা মতমদা শোয়দনা খঙলগনি। লাউথোকপগী থৌরম অসি লাক্লিবা মার্চথাগী ১২দা পাঙথোক্কদৌরি। হন্দক্কী অসিনা মহাক্কীদি ইহান হানবা ওস্কার নোমিনেসন চঙবনি। অতোপ্পা ওর্গনাইজেসন কয়ানদি মহাকপু বেষ্ট এক্টরনচিংবা শীংথানিংঙাই ওইবা মনা কয়া অমা পীদুনা মাঙজৌননা ঈকায় খুম্নবা উৎখ্রবনি।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ০৮।০১।২০২৩ ইং, নোংমাইজিং; অয়ুক পুং ৭.০৮ ফাওবা ৱাকচিংগী ১৬ নি পাল্লি, মতুং ১৭নি পাল্লনি।

মেষ: ৱাঙাং হৈত্রদি অঙন্বনা চানবীবা ৱাৎকনি। ফিংবা/হোয়া ফবনা মাঙজবা লৈগনি। য়েৎনবদদি ঙন্বীনবা লৈরোই, পল্লম্বা শেল থুম ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফবা ৱাৎলি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস

বৃষ: লাইবক থোইনা ফগনি, হৈ-শিংবনা ওইজ-ওইথক তানবসু য়াম্না কান্নজগনি। মীৱা য়াম্না থাজবা অমদি অরাপ্পা চৎপদি ময়েং তাগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংজবা ফংই।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

মিথুন: নোল্লুক্লা চৎপা হৈত্রবা অমদি চরাংনরদি ওইজবা মাঙবতা নংগনি। মীরক চঙবগী নুংঙাইবা, নচা-ননাইগী লমদা পুক্লিং পেনবদি লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মরী খরদি ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

কর্কট: মীকোক থোংবা, থৌনা ফুদোক্লা শেন্দোং তানবা ঙমজবা, অনৌবা ৱাখল্লোন্না কান্নবা পীবা অফবনা হেনবা নুমিৎনি। মতম মাঙহল্লনু।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

সিংহ: য়েৎনরম্বা কোকচদুনা অফবা থবক্তা লমদা মায় ওনশিনবা য়ারগনি। থিবা হুম্বা কনবগী মহৈ ফংগনি। মরম চাদনা ঙাং-শকপদি চোপকনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মতম লৌখো।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস

কন্যা: পাউদি ইনুং নুংঙাইত্রসু নীংবদি থুংগনি, মীয়ামগা মরী ফগৎকনি, ৱানোম থৌনোম কান্নগনি, অফবা ৱাখল্লোন পুথোকপা ঙমগনি ।
লৈশা পাখংশিংগী- মীচঙ লৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

তুলা: নুংঙাইবা, নীংবা মপা চাবা, ইচঙ থৌবা অমদি নীংহন্নদবগী মহৈ অফবা ফংবা নুমিৎনি। মতম মাঙহন্দনা অফবা থবক পাঙহৌরো-কান্নরনি।
লৈশা পাখংশিংগী- আশা চাওবা কান্নে।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

বৃশ্চিক: য়াম্না পুক্লিং লৈতানা থৌপাঙগদবা নুমিৎনি। মরুপ মপাং অমদি ইমুং মনুংগী ৱা তাদনা অনৌবা থৌ পাঙগনু। চিন কনবা মতাং চারোই।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱাখল ৱাগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

ধনু: মীতোপ্তা থাজবা থমগনু, হান্নগুম্না অফা-অপুনগী লমদা থৱায় য়াওগনু। হুরানবনা পাঙ্গল্লি, য়েৎনবনা মাঙজগনি-তুংগী খল্লগা ঈংথৌ।
লৈশা পাখংশিংগী- পুকচেল চাওথোকপা ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/কিসমিস

মকর: নীংজবা থুংগনি, অনৌবা আশা লাক্কনি, মীয়াম্না থাগৎপিগনি। অদুবু শকখৎদবদি লোয়নগনু, নোল্লুক্লা চত্রদি নুংশিবা কায়নগনি/মাঙজগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মায় পাক্কনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

কুম্ভ: লাইবক ফবা হৌরনি, মীনসু লাকচবা ঙম্লোই, শেন্দোং ফংগনি। তহা তহাবদি য়ারোই, থবক অমদি মরুপ মপাং মাঙদনবা হোৎনৌ।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা মপা চারনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

মিন: মতম মাঙগনি-মরম চাদনা হোয়া ফগনু অমদি নীংবদুমক পাঙগনি খনগনু। মরুপ অফবদি লাক্কনি, য়েৎনরম্বা কোক্তুনা ওইজবা ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- ঙাং-শকপদি পকচগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

## এস ৱাই সী হৈরোক্কী ৫রকশুবা মপোক নুমীৎ থৌরম পাঙথোকখ্রে



ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৭ (ঐচ এন এস): থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী হৈরোক পার্ট টু মোইরাংথেম লৈকায়দা লৈবা স্পোর্টিং য়ুথ ক্লব (এস ৱাই সী) শাফোঙলকপগী ৫রকশুবা মপোক নুমীৎ থৌরম ঙসি ক্লব অসিগী লম্পাক্তা পাঙথোকখ্রে।

ঙসিগী থৌরম অদুদা ১০শুবা বট্টালিয়ন বি এস এফ হৈরোক্কী কম্পেনি কম্মান্দর কে এস রানানা অথোইবা মীথুং, স্পোর্টিং য়ুথ ক্লবকী প্রসিদেন্ট এম মংলেমনা থৌরম মপু অমসুং চীংদোম্পোক হায় স্কুলগী হেদ মাষ্টর লাইশ্রম বিনোদকুমারনা অখন্নবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখি। মশা-মউ ফবা অমত্তা ওইবা, ঈং-চিকপা অমসুং চাউখৎপা ওইনবা ঐখোয় পুন্না খুৎশম্নরগা মাঙলোমদা চঙশিনমিন্নসি হায়বা পান্দমদা পাঙথোকখিবা থৌরমগী শরুক অমা ওইনা ক্লব অসিনা কোনবা মফমশিংদা লৈবা অহল ওইরবশিংনা নীংথম খুদোল, ইন্নফি খুদোল তমখি।

এস ৱাই সীগী সেক্রেটরি থৌনাওজম রোশননা ক্লব অসি শাফোঙলকপগী মরিক চুম্বা পাউদম থম্বগা লোয়ননা ক্লব অসিগা মীয়ামগা তাথোক-তাশিন তৌমিন্নরগা লৈকায় অদু হেন্না চাউখৎনবা হোৎনবা য়াবা পুম্নমক হোৎনগনি হায়খি।

হৌখিবা থা ৩/৪ রোম অসিদা ক্লব অসিনা হোৎনরগা লৈকায় অদুগী ময়াই কাবা চীঙাক্তা লাইচুরম্বা নহারোল কয়া নীংথিনা ৱাখল তাহল্লগা মহৌশাগুম পুন্সি ঈচেলদা পুরকপা ঙমখ্রে। মসি পুম্নমক লৈকায় মীয়াম্না মতেং পাংবীবা অদুনা ঙমজবনি। মখা তানসু মীয়াম্না শৌগৎপীয়ু হায়খি।

এস ৱাই সীগী ৫রকশুবা মপোক নুমীৎ থৌরম অদুগা মরী লৈননা লৈকায় অদুগী মৌগী শিংদা চল্লবীশিংগী ওইবা চফু লমজেলগী অথোই-অহেন তান্নবা, থাঙ-তা লোয়শঙ সনা কোনুংগী মখাদা লৈবা মণিপুর থাঙ-তা কলচরেল এসোসিএসনগী মহৈরোয়শিংনা থাঙ-তাগী তোঙান তোঙানবা মীৎকী কুম্মৈশিং উৎপা, এস ৱাই সী অমসুং অম্মিক্কী শান্নরোয়শিংনা শরুক য়াবা নুংঙাইরবা মরুপ-মপাংগী ওইবা ফুটবোল মেটচ অমসু পাঙথোকখি।

## টিদ্দিম লম্বী লাক্লিবা জন্যুৱারী ৯দগী বন্দ তৌরগনি : জে এ সী

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৭ (ঐচ এন এস): মমাঙ চহী হৌখিবা দিসেম্বর ৩০দগী মফম খঙদনা মাঙখিবা নাচৌ অৱাং লৈকায় ৱার্দ নম্বর টুদগী য়াংলেম প্রিয়োব্রত (৪৮) অপোকপা কেশো মফম খঙদনা মাঙখ্রগা ঙসি অয়ুক পুং ১১.৩০ রোম তাবদা নাগালেন্দগী ফেসামা এরিয়াদা মীনা হাৎতোক্লম্লগা অশিবা হকচাং ওইনা ফংখিবা অদু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা শেমখিবা জে এ সীনা থা অসিগী ৯দগী অয়ুক পুং ৬তগী টিদ্দিম লম্বী জে এ সীনা তাল্লিবা দিমান্দ ফংদ্রিবা মতম কক্তনা বন্দ তৌরগনি হায়রি।

মীশি অসিগা মরী লৈননা শেমখিবা জে এ সী এগেনষ্ট দ কিল্লিং ওফ য়াংলেম প্রিয়োব্রত অপোকপা কেশো নাচৌ অৱাং লৈকায় ৱার্দ নম্বর টুগী কনভিনর এন জাদু, কো-কনভিনর এল সুরচন্দ্র অমদি পব্লিসিটি সেক্রেটরিনা এল মেঙ্গরনা ওইরি। য়াংলেম প্রিয়োব্রত মীশিদা চেন্নবা মীওইশিং মতিক চানা চৈরাক পীবীয়ু। লোয়ননা মহাক্কী লৈহৌরিবা অশোনবা মপা, লোয়নবী, মচা অহুমগী য়েংলগা কম্পেন্সেসন ওইনা লুপা লাখ ৩০ পীগদবনি হায়রি।



Title : Rabit
By : Ningthoujam Asharani Devi
Class : KG    Roll No. : 1
School : Sindam Kids Foundation



Title : Sunflower
By : Pheiroijam Linthoi Devi
Class : III    Roll No. : 24
School : The K.E. Blooming Institute



Title : House
By : Phuritsabam Jaya Devi
Class : III    Roll No. : 12
School : The K.E. Blooming Institute




Title : Flower
By : Sagolsem Bibicha Devi
Class : III    Roll : 3
School : The K.E. Blooming Institute



Title : House
By : Th. Luwangba
Class : II    Sec : B    Roll No. : 6
School : Kid's Foundation



Title : Panda
By : Albiyas
Class : V-D    Roll No. : 01
School : Standard Robarth Hr. Sec. School



Title : Scenery
By : Alden
Class : IV    Sec : B    Roll : 4
School : Maheilen Education Centre



Title : Nest
By : Khundongbam Likchabi Chanu
Class : III
School : Thambalkhong Junior School



Title : Queen
By : S. Lanthoi
Class : IX    Sec : C
School : Maheilen Education Centre



Title : Duck, Egg
By : Aribam Purnachandra
Class : III    Sec : B    Roll No. : 32
School : Maheilen Education Centre



Title : Castle
By : Telem Merina
Class : K.G.    Roll No. : 7
School : Kangleipak Modern School



Title : Christmas Tree
By : Leishangthem Thasana Devi
Class : K.G.    Roll No. : 4
School : Kangleipak Modern School



Title : Castle
By : Yumnam Nungsihenba
Class : K.G.    Roll No. : 1
School : Kangleipak Modern School



Title : Rose
By : Khundongbam Likchabi Chanu
Class : III
School : Thambalkhong Junior School



Title : House
By : Mujakir
Class: V    Sec : D    Roll No. : 29
School : Standard Robarth Hr. Sec. School



Title : Scenery
By : Prabeshor
Class : III-B    Roll No. : 44
School : Standard Robarth Hr. Sec. School

অঙাংশিংগী অয়েকপা লাই হাপ্পীনিংবা মীওইশিংনা অঙাংগী মিং, পাসপোর্ট ফোটো, স্কুল মমিং, ক্লাস, সেক্সন অমদি রোল নম্বরনচিংবগা লোয়ননা অয়েকপা লাই অদু নীংথিনা ফোটো কাপ্লগা হুইয়েন লানপাউগী ৱাট্সএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ দা থাবীরকপা য়াগনি।